# গুদ ফ্রাইদেনা খ্বাইদগী মন্বা নুমিদাং লোইশিলহল্লসনু হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপশিংগী মরু ওইবা নুমিৎ অমা ওইরিবা গুদ ফ্রাইদেনা লাকপদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরবা খ্বাইদগী অমন্বা নুমিদাং অসি লোইহন্দুনা অনৌবা নুমিৎ অমা থোরক্লসনু। য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না অফবা অমদি পোজিটিব ওইবা ৱাখল্লোল থম্বগা লোয়ননা তাইবঙ শেন্বা মপুনা থৌজাল্লসনু হায়না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মীওই ১৬,২১,৭৬৬ নাহনখ্রবা মতুং মীওই ৯৭,১৮৫ শীহনখ্রবনি। অমরোমদা মীওই ৩,৬৬,২৭১ লায়না অসিদগী কনবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াদা মীওই ৬,৭২৫ নাহনখিবদা ঙসি ফাওবদা মীওই ২২৯ শীহনখ্রবনি। অদুগা মীওই ৬৪১না লায়না অসিদগী ফংহনখ্রে।

চহীসিদা পাঙথোক্কদবা খ্বাইদগী চাওবা কুম্হৈ ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়েথোক্তুনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী শান্নরোয় পুম্নমক শান্নবা ঙমদনা পোজিটিব ওইবা য়াওরবসু সেল্ফ আইসোলেসন তৌদুনা মশা মশাগী কাদগী হেন্দোক্লদনা লৈরি।

নাকল অমরোমদা কিরেন রিজিজুনা কুমজা ১৯৭৫ হোক্কি ৱর্ল্ড কপ গোল্ড মেদল লৌখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয় অসোক দিৱান য়ু এস এদগী হল্লকপা য়াদনা মশাগী অনাবগী ফিভম শোকচিল্লকপা অদুগী মতুংদা সেন ফ্রান্সিসকোদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিদা ৱারী শাদুনা দিৱানগী মনাক্তা দোক্তর অমা থাদুনা মহাক্কী ফিভম অদু য়েংশিনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াই, দিৱান মশামক্ল া ঙরাং ইন্দিয়ন ওলিম্পিক্কী প্রসিদেন্ট অমদি ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নরিন্দর বত্রাদা মতেং পাঙবীনবা অহৈবা চেরোল পীরকখিবনি। অসোক দিৱান সেন ফ্রান্সিসকোদা মহাক্কী মচানুপাগী মনাক্তঃা চৎলুবদগী ইন্দিয়াদা নুমিৎ ২১গী লোকদাউন থম্লকখিবা অমদি ইন্টর্নেসনল ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌখিবদগী ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদনা পন্দুনা লৈরকখিবনি।

# বর্সেলোনা এফ সীগী বোর্দ দিরেক্টর তরুক রিজাইন তৌখ্রে, ক্লব অসি ক্রাইসিস অমা মায়োক্লবগী ফিভমদা লৈখ্রে




বর্সেলোনা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
মালেমগী মমিং লৈরবা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব বর্সেলোনাগী বোর্দ দিরেক্টর ৬ সোসল মিদিয়া স্কেন দল অমা ক্লব অসিনা নীংথিনা মায়োক্লরি হায়বগী মতাং অমসুং কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা লৈবাক অদুদা পীরিবা চৈথেং অদুগা মরী লৈননা রিজাইন তৌখিবদগী ক্লব অসি ক্রাইসিস অমা মায়োক্লবা ফিভমদা লৈখ্রে।

বর্সেলোনা ফুটবোল ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট মরি লৈবগী মনুংদা অনী-ইমিলি রোসাদ অমসুং এনরিক টোম্বাস রিজাইন তৌখিবনি। মখোয়গী মনুংদা দিরেক্টর্সশিং-সিলভিও ইলিয়াস, জোসেপ পোন্ট, জোর্দি কলসামিগ্লিয়া অমসুং মারিয়া টেক্সিদোরসু রিজাইন তৌখি।

দিরেক্টরশিং অদুনা ক্লব অসিবু নুংশিজবা ভাবোকশিংদা ইখিবা চেরোল অমদা বর্সেলোনা এফ সীগী প্রসিদেন্ট জোসেপ মারিয়া বর্টৌমিয়ুদা মরাল শীরি। লোয়ননা বোর্দ অসিনা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা ইনকম লাকপশিং অদু হন্থরকপগা লোয়ননা শান্নরোয়শিং তোলোপ অদু চাদা ৭০ ককপগী ফিভম লাকখিবনি।

বোর্দকী দিরেক্টরশিং অদুনা প্রসিদেন্ট বার্টৌমিয়ুদা অরিবমখৈ অথুবা মতমদা প্রসিদেন্সিএল মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়খি। লোয়ননা ক্লব অসিনা অতোপ্পা পার্টি অমা, আই ৩ ভেনচর্স হায়না খঙনবা লুপ অসিদা চহীসিগী অঙনবা শরুক্তা বর্সেলোনাগী সোসল মিদিয়া কভরেজ মোনিটর তৌনবা শীন্নখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট বার্টৌমিয়ুনা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অদু য়াখিদে। অদুবু ক্লব অদুনা সোসল মিদিয়া মোনিটর তৌহনবা আই ৩ ভেনচর্স ফার্ম অদুবুদি ক্লব অদুগা লৈরম্বা কনট্রেক্টশিং অদু লৌথোকখি। ফম থাদোকখ্রবা বোর্দকী দিরেক্টরশিং অদুনা স্পেনিস মেদিয়াদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা লাক্কদৌরিবা পোষ্ট পেন্দেমিক ইরাদা থেংনগদৌরিবা মরু ওইবা চেলেঞ্জশিং অদু হৌজিক লৈরিবা ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টকী থৌওংশিং অসি নৌহৌননা শেমদোকপা য়ারোইদবা মরম্না রিজাইন তৌবগী খোঙথাংশিং অসি লৌরকপনি হায়রি। ঙসি ফাওবদা স্পেনদা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মীওই ১,৫৭,০২২ শোকহনখ্রবনি। মদুগী মনুংদা মীওই ১৫,৮৪৩ শীহল্লি। অদুগা মীওই ৫৫,৬৬৮না ফহনবা ঙমখ্রে।

# চাইনাগী নুপীগী ফুটবোল্লর অহুম কোভিদ-১৯ নেগেটিব ওইবদগী নেসনল টিম ট্রেনিং সেন্টরদা শান্নবা য়াহনখ্রে



বৈজিং, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
মমাঙদা ফ্রান্সকী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনগী ষ্ট্রাইকর ওইরম্বী ৱাং সুৱাং য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় ২ ৱুহানদা লৈবা ট্রেনিং বেজদগী হল্লকপদা কোভিদ-১৯ নেগেটিব ওইদুনা সুজৌ সিটিদা নেসনল টিমনা ট্রেনিং তৌরিবা মফমদা শান্নহনবা য়াখ্রে।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদগী ৱুহান সিটিদা নুমিৎ ৭৬নিগী ওইবা লোকদাউন থম্লম্বা অদু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লৌথোকখিবদগী সুজৌ সিটিদা অতোপ্পা নেসনল টিমগী শান্নরোয়শিংনা ট্রেনিং তৌবদা শরুক য়াহনখিবনি হায়না চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি।

ৱাং সুৱাংদা নত্তনা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইখ্রবা অতোপ্পা ফুটবোল শান্নরোয় অনী অদুদি-য়াও ৱৈ অমসুং লিয়ু য়িয়ুননি। চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না শান্নরোয় ৩মক ঙসি অয়ুক টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিম ওইখিবনি। মখোয় অহুমক্কী মশাগী ফিভম ফনা লৈরি হায়খি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ৱাং সুৱাংনা ঙসিদগী ট্রেনিং শরুক য়াবা য়ারগনি। অদুবু য়াও ৱৈ অমদি লিয়ু য়িয়ুন নুমিৎ ৭নিগী ওইবা মেদিকেল ক্বারেন্টিনদা লৈনবা ফোঙদোরল্লি। শান্নরোয় অহুম অদুগী ক্বারেন্টিনগী মতম অসি চাইনাগী স্মার্ট ফোনদা বেজ তৌবা হেল্থ কোদ সার্ভিসনা খঙহনবনি। মদুনা মরম ওইরগা মখোয়গী হেল্থ ষ্টেটস অমসুং ট্রাভেল হিষ্ট্রিদা বেজ তৌরগা মখোয়দা মচু তোঙান তোঙানবগী ষ্টেটস পীখি।

ৱাং সুৱাংনা গ্রিন কোদ ফংদুনা মীরক্তা চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা পীরি। অমরোমদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিব ওইরবসু য়াও য়ৈ অমসুং লিয়ু য়িয়ুননা য়েল্লো কোদ ফংখিকবদগী মেদিকেল ক্বারেন্টিন/হোম আইসোলেসনদা চয়োল অমা মখা তানা লৈগদৌরিবনি। করিগুম্বা রেদ কোদ ফংলবদি মীওই অদু কোভিদ-১৯ লৌনরকপা য়াবগী চাওনা খুদোংচাবা লৈবা মরম্না ক্বারেন্টিন তৌগদবনি হায়রি। চাইনানা সুজৌ সিটিদা এপ্রিল ২দগী ৩০ ফাওবা লৈবাক অদুগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী ট্রেনিং চখদুনা সাউথ কোরিয়াগা জুন থাদা প্লে ওফ শান্নগদৌরি।

# টোকিও ওলিম্পিক্সকী সী ই ওনা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা মতম লেপখিবা অদু চীংননিংঙাই ওইরি হায়খ্রে




টোকিও, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস (কোভি-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা জপানদা ঙসি ফাওবদা মীওই ৫৫৩০ শোকহনখ্রে। মীওই ৯৯ শীহনখ্রবা মতুং মীওই ৫৮৫না লায়না অসিদগী ফহনখিবগী ফিভম লৈরিবা অসিদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসগী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার (সী ই ও)না ঙসি ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২১গী জুলাই থাগী ২৩গী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা য়েথোকখ্রবা ওলিম্পিক গেমস অদু পাঙথোকপদা চীংননিংঙাই ওইরি হায়খ্রে।

লৈবাক অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা কোরোনভাইরস (কোভি-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্হেংননবা ইমর্জেন্সি দিক্লেয়র তৌখ্রবা মতুং অথিংবা কয়া অমা লৈবাক অদুনা মায়োক্লরিবনি। ওর্গনাইজিং কম্মিতিগী সী ই ও টোসিরো মুটোনা ফোঙদোকখিবদা চহীসিগী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বদগী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মথং চহীগী জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না নৌনা মতম লেপখিবা অদু চাদা ১০০ মতম অদু য়ৌরকপা মতমদা পাঙথোকপা য়াগদ্রা নত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা ঙমখিরোই হায়খি।

ৱাফম অসি মহাক্না ইন্টরপ্রিটর অমগী খুত্থাংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱারোল অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশেংবা পাউখুম অমা পীবা ঙমখিরোই হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেবু কোরোনভাইরস (কোভি-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্হেংনবা হোৎনবদা থবক য়াম্না তপখি। মহাক্না ভাইরস অসিগী মগুন খঙদবগুম তৌখি হায়না ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবশিংনা মরাল শীখি। চীফ একজিক্যুটিব ওফিসার টোসিরো মুটোনা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক্কী ওইনা মীওইবা জাতিনা পুনবা খোঙজং অমগা লোয়ননা টেক্নোলোজি অমসুং লৌশিং শীজিন্নদুনা কোভিদ-১৯গী লাম্হেংনবা হিদাক অমদি ভেক্সিন পুথোকপা অসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবকনি হায়খি। মরকসিদা ওলিম্পিক মৈরা অদু মীয়ামদা উৎপা তোল্লগা টোকিও ২০২০গী মেনেজমেন্টকী মখাদা থমখ্রে।

# কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লাইচৎ মনুংদা দোপিংগী বেন থাপ্না থমখ্রসি: ওলেগ মতাইসিন



মোস্কো, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
ইন্টর্নেসনল ওথোরিটিশিংনা রসিয়াগী ওলিম্পিক দোপিং বেন অসি হৌজিক মালেম শীনবা থুংনা মায়োক্লরিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎ লাম্হেংনরিঙৈ মনুং অসিদা থাপ্না থমখ্রবা অনৌবা লমাই অমা হাংদোক্লগদবনি হায়না রসিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর ওলেগ মতাইসিননা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াই, ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)না রসিয়াবু ওলিম্পিক গেমস য়াওবা য়াদনবা চহী ৪গী অথিংবা থমখ্রবনি। ৱাদাগী খোঙথাং অদু মোস্কোগী লেবোরেটরিগী দেটা অমা শেমজিল শাজিল্লি হায়বগী মতাংদনি। কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসনা ৱাদানা থল্লিবা অথিংবা অদু চৎনবা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বগী হিয়ারিং পাঙথোক্কদবা অদু কোভিদ-১০ লায়না লাইচৎনা থেংথদুনা লৈরিবনি।

মিনিষ্টর অদুনা মখা তাখিবদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা লীগেল প্রোসিদিংদা য়াওরিবা কাংলুপশিংনা ওলিম্পিক মুভমেন্ট কায়দনবা রসিয়াগী মায়োক্তা রুলিং পীরোইদৌবনি হায়খি। রসিয়াবু অথিংবা থন্বা অসিনা ওলিম্পিক্কী খোঙজং খুদিংমক্তা অশোকপা ওইরক্কনি। লাইচৎ নেমথখ্রবা মতুংদা রসিয়ানা ইভেন্ট কয়া পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি।

# ন্যু জিলেন্দগী নুপাগী হোক্কি টিম ইন্দিয়াদা প্রো লীগ শান্নবা লাক্লরোই

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
চহীসিগী মে ২৩ অমদি ২৪দা ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা এফ আই ঐচ হোক্কি প্রো লীগকী মেচ অনী ইন্দিয়াগা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা লাক্লরোই হায়রি।

ন্যু জিলেন্দ লৈঙাক্লা চথোক চৎশিনদা অথিংবা থম্লকখিবা অমদি লোকদাউন লৈখিবা মরম্না লোয়ননা টিমগী দোক্তরশিংনা শান্নরোয় অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী শাফনবা য়েংলগা হোক্কি ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াগী টুর (নুপা) অমসুং চাইনাগী টুর (নুপী) হৌজিক্কী ওইনা কেন্সেল তৌরে হায়না চীফ একজিক্যুটিব ইয়ান ফ্রান্সিসনা ফোঙদোরকখি।

নাকল অমরোমদা, হোক্কি ইন্দিয়াগী সী ই ও এলিনা নোর্মেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদনা লুরবা তানফম অসিদা হোক্কি ন্যু জিলেন্দনা লৌরকপা ৱারেপ অদু অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা শৌগৎকনি। লোয়ননা হোক্কি ইন্দিয়ানা মেচ অনীগীদমক লৈখিবা টিকেটশিং অদু অথুবা মতমদা রিফন্দ তৌরগনি হায়রি।

# চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী অনৌবা মতম লেপ্পনবা ৱারী শান্নরি : প্রফুল পতেল



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী প্রসিদেন্ট প্রফুল পতেলনা ফোঙদোকখিবদা চহীসিগী নবেম্বর থাদা ইন্দিয়াদা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়েথোকখ্রবা মতুং অনৌবা মতম অমা ফিফাগী ওফিসলশিংনা লেপমিন্ননবা থবক পায়খৎলি হায়খ্রে।

এ আই এফ এফনা লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিতিগা লোয়ননা ফিফাগা কুপ্না নৈনরবা মতুং অথুবা মতমদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি শীল্লম্বদগী কোরোভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোকখ্রবা মতুং নৌনা মতম অমা লেপ্পগনি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা প্রফুল পতেলনা মখা তাখিবদা চহী অমা শাংথবা মরম্না শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং মশাগী চহী ১৭ লাম্হোকপা য়াওরকপসু য়াই। হায়রিবা অসিগী মতাংদসু ফিফাগা খন্ন-নৈনবদা য়াওগদৌরি।

ইন্দিয়ানা নবেম্বর ২দগী ২১ ফাওবা টিম ১৬না লম্বা তৌনদুনা কোলকতা, গুৱাহাটি, ভুবনেশ্বর, অহামেদবাদ অমসুং নাবি মুম্বাইদা পাঙথোক্কনি হায়না হান্না শীল্লম্বনি। ইন্দিয়াগী ওইনা পুৱারীদা কাংলুপ অসিগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ ওইরমগদবনি।

# কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) লায়না লাইচৎনা লুপা ক্রোর ২০০০ হেনবা জলন্ধর স্পোর্টস ইন্দষ্ট্রি অরুবা ফিভমদা লৈহনখ্রে



জলন্ধর, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা স্পোর্টসকী পোৎলমশিং চাদা ৭০ হেন্না পুথোক্লিবা লুপা ক্রোর ২০০০ হেনবা জলন্ধর স্পোর্টস ইন্দষ্ট্রি কোভিদ-১৯ লোকদাউননা মরম ওইদুনা অরুবা ফিভম অমদা পুরক্লি।

লৈবাক শিনবা থুংনা লোকদাউন লৈরিবা অমদি মখা তানা মতম শাংদোকপগী ইনগিত পীনরিবা অসিদা হান্না ওর্দর পীখ্রবা পোৎলম কয়া নমশিন্দুনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা কেস লেপ্পা লৈতনা ষ্টেট পুম্নমক্তা হেনগৎলক্লিবা অসিনা লোকদাউনগী মতম অসি থা অসিগী ১৪দা লোইশিনগনি হায়না তৌরম্বা অদু শাংদোকপগী খোঙথাং অমা লাক্লিবনি।

জলন্ধর স্পোর্টস ইন্দষ্ট্রিনা ইন্দিয়া খক্তা নত্তনা ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা ক্রিকেট, হোক্কি, ফুটবোল, রগবি অমসুং ফিটনেসকী ইক্যুইপমেন্টশিং শারগা য়োনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ইন্দষ্ট্রি অসিনা য়ু কে, ওষ্ট্রেলিয়া, সাউথ অফ্রিকা, জর্মনি, ফ্রান্স, নেদর্লেন্দস, ন্যু জিলেন্দ অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শান্নবগী পোৎলম কয়া অমা এক্সপোর্ট তৌরিবনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফিভম অসি লুশিল্লকপা মরম্না ইন্দষ্ট্রিএলিষ্টশিংনসু লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিদা শৌগৎখিবগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রি অসিগী হান্না লৈরম্বা ফিভমদগী শোকচিনবা অমদি মাংজবা ওইরগনি হায়খি।

রগবি মশান্নগী এক্সপোর্ট তৌবদা মমিং লৈরবা চহী ১০০ হেল্লবা সার্ভে প্রকাস এন্দ কম্পেনি জলন্ধরগী মপু অতুল মদননা ফোঙদোকখিবদা নেসনল অমসুং ইন্টর্নেসনল বোর্দরশিং পুম্নমক সিল্ড তৌখ্রবা মরম্না ফুটবোলশিং, ক্রিকেট বোটশিং অমদি স্পোর্টসকী অতোপ্পা ইক্যুইপমেন্টশিং ন্যু জিলেন্দ অমসুং সাউথ অফ্রিকাদা থাখিগদবা পোৎলমশিং অদু দিল্লি অমসুং বোম্বেগী পোর্টশিংদা পদুনা লৈরি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা লীক্যুদিটি অমসুং পেকেজশিং শেম্বীদুনা ইন্দষ্ট্রিগী মায়কৈদা তুংকোইনা শোক্লোইদবা মতেং য়েংশিনবীনবা হায়খি।

এ ভি এম স্পোর্টসকী মপু অমসুং স্পোর্টস এন্দ টোইজ এক্সপোর্টর্স এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরী নিতিন মহাজননা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশামক্লা প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পেসল সেক্রেটরী পি কে মিশ্রা অমদি পঞ্জাবকী ফাইনান্স মিনিষ্টর মনপ্রিত সিংহ বাদলদা চে ইদুনা অহান অকোন নাইবা মওংদা জি টি এস রিফন্দশিং অদু পীথোকপীয়ু হায়খি। লোয়ননা মার্সেনদাইজ এক্সপোর্টর্স ফ্রোম ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা লাইসেন্সকী পার্সেন্স অসি চহী অমা লৈহন্দুনা অমদি এক্সপোর্ট ক্রেদিদ গরেন্টি কোওপরেসন ওফ ইন্দিয়া লেম্না মতেং পীদুনা ইম্পোর্ট অমসুং এক্সপোর্ট তৌবগী বিজিনেস অসি মখা তানা হিংননবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়েথোকখিবনা শেম শাবগী মতম হেন্না ফংলে : কে টি ইর্ফান




মুম্বাই, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী):
ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী রেস ৱাকর কে টি ইর্ফাননা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা গেমস অসি চহী অমা য়েথোকখিবনা মঙোন্দদা শেম শাবগী মতম হেন্না ফংলে হায়খি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা কে টি ইর্ফাননা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন রেস ৱাকিং চেম্পিয়নশিপ্তা মরীশুবা পোজিসন তাদুনা মহাক্কী করিয়রগী অনীরকশুবা ওলিম্পিক্সতা শরুক য়াবা ঙমগদৌরিবনি। মহাক্না করিয়রগী অহানবা ওইনা কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা কিলোমিটর ২০গী রেস ৱাক কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা ১:২০:২১তা চৎতুনা ১০শুবা পোজিসন তাখি। অদুবু মহাক থংনবা ওলিম্পিক্স ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা কুমজা ২০১৬দা পাঙথোকপা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

ইর্ফাননা মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈবাক শীনবা থুংনা নুমিৎ ২১গী লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুং অসিদা মহাক্কী হোৎনবগী চাং অসি হেনগৎলবদি কিলোমিটর ২০গী রেস ৱাকতা মেদল ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ হায়খি।

অতোপ্পা এথলেটশিংগা লোয়ননা কে টি ইর্ফানসু হৌজিক হৌজিক কর্নাটাকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা লৈবা হোষ্টেলদা লৈরি।

ওফিসলশিং অমদি মেদিকেলগী সুপরভাইজরশিংগী মায়কৈদগী মখোয়না মশা মথন্তা ট্রেনিং তৌজগদবনি। মদুগী মনুং চন্না কা মনুংদা থৌরি চোংবা অমদি কেম্পস অদুদা থোক্লগা মথন্তা মী অতোপ্পা য়াওদনা প্রেক্টিস চথরি হায়রি। মহাক্না অদানি গুপনা ঙসি ফাওবদা পীরক্লিবা মতেংশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com